# সনালৈবাক স্পোর্টস

**IMPHAL, SATURDAY, JUNE 07, 2018 PAGE 7**




*জুলাই ১২ দগী হৌরগা ইন্দিয়ানা ইংলেন্দগা ৱান দে মেটচ ৩ শান্নগদৌরিবা অসিগীদমক শোক্তুনা লৈরিবা জস্পিট বুমরাহগী মহুৎ শিনগদৌরিবা মুম্বাইগী ফাষ্ট বোলর সার্দুল থাকুর*

*ওগষ্ট ১৮ দগী ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমস অসিগী হোক্কি দিসিপ্লিনদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কি টিমগী কেপ্টেন ওইখ্রবী রানি রামপাল*



## *ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮, রুশিয়া*

## ফ্রান্সকী ভরানে অমসুং গ্রিজমানগী পাঞ্জলনা উরুগ্বেবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা উরুগ্বেগী মায়োক্তা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা

*মোস্কো, জুলাই ০৬ঃ*

ফ্রান্সকী শান্নরোই রাফেল ভরানে অমসুং এন্টোইন গ্রিজমানগী পাঞ্জলনা উরুগ্বেবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরল্লগা রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা চখরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি ফ্রান্সকী টিম্না ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল ২০১৮ গী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদা আর্জেন্টিনাবু পাঞ্জল ৪–৩ দা থোইরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা উরুগ্বেগী টিম্না টুর্নামেন্ট অসিগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদা পোর্টুগালবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকপনি।

ফ্রান্স অমসুং উরুগ্বেনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুগী মিনট ৩ চঙশিল্লকপদা উরুগ্বেগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই বেন্টাকুরনা ওই থংবা মায়কৈদগী পীরকপা পাস অমা টিমমেট ষ্টোনিনা নীংথিনা ফাবা ঙমহৌদবদগী পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

মেটচ অদু হেক হৌবদগী উরুগ্বেগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নবা ঙমখি। অদুবু ফ্রান্সকী দিফেন্দরশিং অদুনা মখোয়না পুশিল্লকখিবা এটেকশিং অদু পাঞ্জল ওইহন্দনা থমখি। অমরোমদা ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনসু উরুগ্বেগী মায়োক্তা পাঞ্জল চনশিন্নবা চথরকখিবা এটেক খুদিংমক মায় পাকপা ঙমদনা লাকখি।

শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী অয়ান্বা মতম হৌজিনখ্রবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি। শান্নবগী ৪০শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা রাফেল ভরানেনা য়াম্না ফজবা পাঞ্জল অমা চন্দুনা উরুগ্বেবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনট খরা অদুদা উরুগ্বেগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। অমরোমদা ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনসু মখা তাবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমখিদবদগী হাল্ফ অদু লোইশিনখিবদা ফ্রান্সনা উরুগ্বেবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা ফ্রান্সনা মখা তাবা পাঞ্জল চনশিন্নবা উরুগ্বেগী মায়োক্তা এটেক চথদুনা শান্নরকখি।

উরুগ্বেগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৬১শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা তৌরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী মরুওইবা শান্নরোই এন্টোইন গ্রিজমাননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা উরুগ্বেবু ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বেলদা চঙশিল্লকখি।

পাঞ্জল অনী শোথরবা উরুগ্বেগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনদুনা ফ্রান্সকী মায়োক্তা এটেক চথবা হৌরকখি। অদুবু মখোয়না চথরকখিবা এটেকশিং অদু ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী অপীবা মতম মিনট ৯০ গী মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা উরুগ্বেগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখিবা অমদি ফ্রান্সকী মায়কৈদগীসু মখা তাবা পাঞ্জল উরুগ্বেগী মায়োক্তা চনশিনবাঙমখিদবদগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু ফ্রান্সনা উরুগ্বেবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

| Quarter-Finals | |
|---|---|
| MATCHES ON 07-07-2018 | |
| Sweden vs England | 07:30pm |
| Russia vs Croatia | 11:30pm |

### *অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা বেলজিয়মনা ব্রাজিলবু পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থারি*

*কাজান (মোস্কো), জুলাই ০৬ঃ*

*বেলজিয়ম অমসুং ব্রাজিলনা ঙসি অথেংবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু বেলজিয়মনা পাঞ্জল ২–০ দা ব্রাজিলদগী মাঙজিল থারি। অহানবা হাল্ফ হৌরকপা অদুদা বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক হেন্না চথরকখি। বেলজিয়মনা শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা ব্রাজিলগী ফর্নান্দিনহোনা শোয়বদগী চনশিজখিবা পাঞ্জলনা বেলজিয়মনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। টিম অনীনা মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৩২শুবা মিনটতা বেলজিয়মনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা কেভিন দি ব্রুইননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা বেলজিয়মনা ব্রাজিলবু ২–০ দা মাঙজিল থারি।*

## নীংশিংনিঙাই কয়া ওইরগদবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮–রুশিয়া

### এল. কালা, উরিপোক

লাইরিক লাইশু মহৈ মশিং তম্বা হাইবসিমদি ওজা নাইদুনা তল্লগা খঙবা হৈবা হেগৎলকই হায়বদা থোইনা লান্দ্রবসু এক্সপরিয়েন্স হায়বদি মশামক্লা হেক থেংনবা খঙবা হায়বসিমদি থেংনরবকান্দা খঙবা, থোক্লবকান্দদা অমুক শিংগৎলকপা তম্বা য়াদবা অমনি হায়বদা লানগদবা মান্দে। থেংনরগা খঙলগা লাক্কদবদা হেন্না হেন্না ফবা হেন্না ফজবা মগুন লৈবা হেনগৎনবা হোৎনবা চাংয়েং তৌবা মীওইবগী পূক্নিং ৱাখলগী মচৎনি। চাংয়েংদা অফবা ওইরগনা অফবগীদমক পাঙথোকপা থবক ওইনা, ফত্তবা ওইরগনা হেক থাদোকপা পাঙথোক্তবা হায়বসিনা তুংগী মীরোলগীদমক অফবা খনবা ঙম্বা মীওই কাঙলুপকী মচৎনি হায়বা তাই। ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৪ (কুন তরামরি) ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপদা ফিফানা অনৌবা টেক্নোলোজি অনীখক গোল লাইন টেক্নোলোজি এলেক্ট্রোনিক দিভাইস শিজিন্নদুনা করিগুম্বা তাঞ্জাদা বোলনা গোল লাইন মনুংদা লানশিনলি লানশিন্দে হায়বা খঙবা খুৎলাই অসিমক অহানবা ওইনা ফ্রান্স অমসুং হুন্দুরাস গ্রুপ ষ্টেজদা শান্নবদা ফ্রান্সনা অনীশুবা গোল চনবদা অহানবা ওইনা টেক্নোলোজি অসি ফিফা ৱার্ল্ড কপ পুৱারীদা শিজিন্নবা হৌখি। অতোপ্পা অমনা ভেনিশিং স্প্রে হায়বা অঙৌবা মচুগী ওইবা অনংবা পোৎশক অমা ফ্রি কিক তাবা মফম অমদি য়াম্না মরুওইনা লৌনরিবা টেন য়ার্দ, ফ্রি কিক তাবা মতমদা বোল খিনগদৌরিবা মফম অমসুং টেন য়ার্দ ফ্রি কিক্কী ৱাল শাগদবা মফম তাকপা অঙৌবা মচুগী ওইবা পোৎশক অসি স্প্রে ওইনা শিজিন্নবা অন্দর টুৱেন্টি ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৩ (কুন তরাহুমদোই) না মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখ্রবা মতুংদা ২০১৪ (কুন তরামরি) ফিফা ৱার্ল্ড কপ ব্রাজিলদা পাঙথোকপদা অহানবা ওইনা শিজিন্নখ্রবা মতুংদা মতম মতমগী কান্নবা ওইনা শান্নরোইশিংগী অয়েংবশিংগী পূক্নিং চমথোক্লবা লোয়ননা সেন্ট্রেল রেফরি অমসুং মাবু মতেং পাঙলিবা লাইন্সমেনশিংবুসু চয়েৎনবা দিসিজন অমদগী ঙাকথোকপা ওইবা য়াবা মতেং ভিদিও এসিষ্টেন্ট রেফরি (ভিএআর) হায়বা টিম অমমুক শেমদুনা থল্লগা ফিফাগী ওইনা শিজিন্নরিবা কেমেরা ময়ামগী মতেংনা দিজাইন তৌবগী টেক্নোলোজি অমা অহানবা ওইনা অমুক হৌজিক চথরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮, রুশিয়া অসিদা মতাং মতাংগী ওইনা শিজিন্নবা হৌরি। অদুগা অতোপ্পা অমনা শান্নরোইশিংদা অহেনবা খুদোংচাবা পীবা অমা ওইনা হান্না সবষ্টিট্যুট প্লেয়ার অহুমদগী হেন্না শিনবা য়াদবা লৈরম্বা অদু খরা শেমদোক্তুনা এক্সত্রা টাইমদা মরিশুবা প্লেয়ার অমা শিনবা য়াবগী নিয়ম অমা অয়াবা থমখ্রবা মতুংদা চথরিবা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮ টুর্নামেন্ট অসিদা য়ুম্বু লৈবাক রুশিয়ানা ইহান হানবা ওইনা স্পেনগা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল শান্নবগী এক্সত্রা টাইমগী ৭শুবা মিনট চঙলকপদা রুশিয়াগী কোচ ষ্টেনিস্লেভ চরচেসোভনা ৱার্ল্ড কপ হিষ্ট্রিদা অহানবা ওইনা শান্নরোই আলেকসেন্দর ইরোফিন শিন্দুনা রেকোর্দ অমা ওইহনখ্রে।

শান্নবুংদা রেকোর্দ অমা ওইহৌগদবা হায়বসিদা থাজবা কয়া থাজদবা কয়া তোইনা থোকপা অমদি অতাংবা কয়া অমা ওইনা লাইবক ফবগা অহৈবগা লাপথোক্লবা য়াদবা নুংঙাইবা কয়াগী মীৎকুপশিং নৎতবা লাইবক ফৎতবা অশোইবা থোকহন্নিংদবা থওইন তৌবা নৎতবা অৱাবা নুংঙাইতবগী মীৎকুপ্পুংদগী লৌখৎপদা য়ুম্বু রুশিয়ানা য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন স্পেনগা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল শান্নবা লুরবা তানফমদা ফিফা ৱার্ল্ড কপ হিষ্ট্রিদা অহানবা ওইনা রুশিয়াগী খ্বাইদগী অহল ওইরবা রুশিয়ান শান্নরোই সেন্ট্রেল ষ্টোপ্পর বেগ চহী ৩৮ গা নুমিৎ ৩৫২ নি শুরবা সেরগৈ ইগ্নাশেভিচনা তুরবা মতুংদা মাগী খুনিংদা বোলনা পান্দুনা মশামক্কী গোলদা চনশিনবা (সুসাইদ) চনবসিসু রেকোর্দ অমা ওইহৌরগদবনি। অমুক সুসাইদকী ওন্ন–তৈনবদা সুসাইদকুম্বা ওইরবা থৌদোক অমা অমুক মেটচ অসিদা হায়বা তারবদি স্পেনগী বেক শান্নবা জেরার্দ পিক্যুনা মতুং ওন্থোক্তুনা মখুৎ ৱাংনা থাঙ্গৎতুনা ৱাংনা চোংখৎপদা তুংলোমদগী লাকপা বোলনা মাগী মখূত্তা পান্দুনা য়াম্না চয়েৎনিংঙাই ওইবা মওংগী পেনাল্টি অমা রেফরি জোরন কুইপরনা পেনাল্টি পীবদগী অরটেম্না কাওদুনা সুসাইদ গোল অমনা ১–০ দা মাঙজিল থারম্বা স্পেন গোল ১–১ (অমা–অমা) দা দ্রো তাদুনা মখা তানা চৎথবা শান্নবদা গোল অমত্তা চনশিনবা ঙমদবদগী কিক ফ্রোম পেনাল্টি কাওনদুনা রুশিয়ানা ফিফা ৱার্ল্ড কপ অমুরক মপু ওইবা ঙমখ্রবা স্পেনবু মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবসি রুশিয়াগী পুৱারী ওইরগদবা মশক্নি।

খঙমিন্নসিঃ– কেমেরুনগী শান্নরোই রোজর মিল্লা চহী ৪২ (নিফুনিথোই) না ৱার্ল্ড কপ্তা গোল চনবা খ্বাইদগী অহল ওইরবা শান্নরোই ওইরি।

## সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরসন অমসুং জর্মনিগী জুলিয়া জোর্জেস ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলসকী ৪শুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে



নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলসকী ৪শুবা রাউন্দ য়ৌখ্রবা কেভিন এন্দরসন (ওই) অমসুং জুলিয়া জোর্জেস

*লন্দন, জুলাই ০৬ঃ*

সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরনসন অমসুং জর্মনিগী জুলিয়া জোর্জেস মখোয়–মখোয়গী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্তুনা ইংলেন্দগী কোনুং লন্দনদা চথরিবা ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা ৮শুবা সিদেদ ওইরিবা সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরসননা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা ২৫শুবা সিদেদ শান্নরোই জর্মনিগী ফিলিপ কোলশ্রেবরবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬–৩, ৭–৫, ৭–৫ দা থোইদুনা মহাকসু মরিশুবা রাউন্দ চঙখি।

ফ্রান্সকী গেল মোনফিল্সনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দদা ১১শুবা সিদেদ শান্নরোই য়ুএসএগী সাম ক্বেরিবু ৫–৭, ৬–৪, ৬–৪, ৬–২ দা থোইদুনা ৪শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা নম্বর ৱান সিদেদ স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা জর্মনিগী জান লেন্নার্দ ষ্ট্রুফপু ৬–৩, ৭–৫, ৬–২ দা থোইদুনা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা য়ুএসএগী টাইলর ফ্রিটজবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ৬–৪, ৫–৭, ৬–৭(০–৭), ৬–১, ৬–২ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ৩শুবা রাউন্দগী মেটচতা ১৩শুবা সিদেদ জর্মনিগী জুলিয়া জোর্জেসনা ২৩শুবা সিদেদ জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভাবু ৭–৬(৭–২), ৩–৬, ১০–৮ দা থোইরল্লগা ৪শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ২০শুবা সিদেদ নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা ৯শুবা সিদেদ য়ুএসএগী ভেনস ৱিলিয়মসপু ৬–২, ৬–৭(৫–৭), ৮–৬ দা থোইরল্লগা মরিশুবা রাউন্দ চঙখি।

ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা য়ুএসএগী সেরেনা ৱিলিয়মসনা ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোভিসপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৭–৫, ৭–৬(৭–২) দা থোইরল্লগা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ক্বালিফায়র ওইনা শরুক য়ারকখিবী রুশিয়াগী ইভজেনিয়া রোদিনানা ১০শুবা সিদেদ য়ুএসএগী মেদিসন কিজবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ৭–৫, ৫–৭, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরল্লগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ক্রোএসিয়াগী দোন্না ভেকিকনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দদা বেলজিয়মগী য়ানিনা ৱিকমেয়রবু ৭–৬(৭–২), ৬–১ দা থোইদুনা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

## প্রনোই অমসুং সিন্ধু ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টনগী ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিহৌবদগী টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী লম্বা লোইশিনখ্রে



ইন্দিয়াগী প্রনোই অমসুং সিন্ধুবু থোইরম্বা চাইনাগী শান্নরোই সি য়ুকি (ওই) অমসুং হি বিংজিয়াও

*জার্কটা, জুলাই ০৬ঃ*

ইন্দিয়াগী শান্নরোই এচ এস প্রনোই অমসুং পি ভি সিন্ধু ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিহৌবদগী ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী কোনুং জার্কটাদা শান্নরিবা য়ুএস দোলর ১,২৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী লম্বা লোইশিনখ্রে।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী এচ এস প্রনোইবু ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী সি য়ুকিনা ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৭, ২১–১৮ দা মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

চাইনাগী সি য়ুকিনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা জপানগী কান্টা সুনেয়ামাবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা য়াম্না কোম্না ২১–১১, ২১–১০ দা মায়থিবা পীরম্বা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ দেনমার্ককী ভিক্তর এক্সেলসেনগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই মালেসিয়াগী লি চোং ৱৈ অমসুং জপানগী কেন্টো মোমোটা লম্বা তৌনরগনি।

মালেসিয়াগী লি চোং ৱৈনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা থাইলেন্দগী কান্টাফোং ৱাংচারোনবু ২১–১৩, ২২–২০ দা মায়থিবা পীরম্বনি। অমরোমদা মালেসিয়াগী লি চোং ৱৈগা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা জপানগী কেন্টো মোমোটানা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই টোমী সুগিয়ার্টোবু ২১–১১, ২১–১৫ দা মায়থিবা পীরমখি।

ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৩শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুবু ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী হি বিংজিয়াওনা ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৪, ২১–১৫ দা মায়থিবা পীরল্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৭শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হ্যুন অমসুং ৫শুবা সিদেদ চাইনাগী চেন য়ুফেগা লম্বা তৌনরগনি।

সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হ্যুননা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৪শুবা সিদেদ থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোনবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা য়াম্না কোম্না ২১–১২, ২১–১২ দা মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অমরোমদা চাইনাগী চেন য়ুফৈনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ২শুবা সিদেদ শান্নরোই জপানগী অকানে য়ামাগুচিবু ২৩–২১, ২১–৮ দা মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা অহানবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী গিদিওন অমসুং সুকামুলজোনা ৫শুবা সিদেদ পেয়র দেনমার্ককী কোনার্দ পিটিরসন অমসুং কোল্ডিংবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ২২–২০, ২২–২০, ২১–১৮ দা মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

৭শুবা সিদেদ পেয়র জপানগী টি ইনো অমসুং ৱাই কানেকোনা নুপাগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা রুশিয়াগী ভি ইভানোভ অমসুং আই সোজোনোভপু ২১–১৭, ২১–১৯ দা থোইরল্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ২শুবা সিদেদ পেয়র জপানগী ফুকুসিমা অমসুং হিরোটানা ৭শুবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী জি পোলি অমসুং এ রাহায়ুবু ২১–১৪, ২২–২০ দা মায়থিবা পীরল্লগা চাইনাগী হুৱাং অমসুং লিবু ১৩–২১, ২১–১২, ২১–১৯ দা থোইরম্বা ৫শুবা সিদেদ পেয়র জপানগী মাটসুটোমো অমসুং টকাহাসিগা লম্বা তৌনরগনি।

## এসিয়ান গেমসতা রানি রামপালনা লুচিংলগনি

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৬ঃ*

চহী অসিগী ওগষ্ট ১৮ দগী সেপ্টেম্বর ২ ফাওবা ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমস অসিগী নুপীগী হোক্কি মশান্নদা ইন্দিয়াগী ওইনা রানি রামপালনা লুচিংলগনি।

রানি রামপালনা লুচিংদুনা শরুক য়াখিবা ৯শুবা ৱুমেন্স এসিয়া কপ হোক্কিদা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম্না টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

টিম অসিগী ভাইস কেপ্টেননা সভিতানা ওইরগনি। মেম্বর ১৮ শাবা নুপীগী হোক্কি শান্নরোইশিং অসি লাওথোরকপদা মণিপুরদগী শান্নরোই অমত্তা য়াওবা ঙমখিদ্রে। মমাঙদা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎখিবদগী ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম অসি হৌজিক–হৌজিক ৱার্ল্ড নম্বর ১০দা লৈবা ঙন্নিবনি।